
থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# গান্ধীগী সেমিনার য়াওরুবদা




'মহাত্মা গান্ধী' না মালেমদা খোঙদারকখিবা, তাইবঙ ফাওরকখিবা নুমিৎ - ওক্টোবর ২, ১৮৬৯ অদুবু নীংশিংদুনা পাঙথোকপা, ১৫০শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা নহান নোংমাইজিং নুমিৎ, ওক্টোবর ৬, ২০১৯ - মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি'না শীন্দুনা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা পাঙথোকখি, কোংগ্রেস কম্মিটি ওফিসকী অনীশুবা মথোলদা লৈরিবা 'মীয়াম তিনফম হোল' দুদা। ঐনা খ্বাইদই পামজনা নৈনজখিবা পুন্সি-ৱারীশিংগী মরক্তা অমা ওইখিবা 'গান্ধী'গী সেমিনার ওইবদুদা দেলিগেট অমা ওইনা য়াওরুবদুদা মরুপ-মপাং কয়াদগী ফোন লাকখি ... 'নহাক কৈদৌঙৈদগী কোংগ্রেসতা মিং চন্দুনা য়াওবনো'...? ঐনা খল্লি - কয়াদা মপুকচেল পিকখ্রবা! মখোয়না কৌই ঐবু - পুকচেল লেপ্পা ঙমদবা! খন্নীংবদু খনসনু, কৌনীংবদু কৌসনু - গান্ধীগুম্বা মীশক অমগী মপোক কুমওন নুমিত্তা, মহাক্কী পুন্সি অমসুং ফিদম'না ঙসিগী মীরোল অসিদা করি ইথিল পীরিবা - নৈননবগীদমক্তা মণিপুরগী খঙ-হৈরবা, শক্লাইরবা স্কোলার মরি'না মীয়ামদ'দা নৈন-ৱারোল পীরগা, মীয়ামগা অমুক অৱায়-অখুম তৌনবা - প্রদক্তিব ওইখ্রবা সেমিনার, খঙদ্রবদি খঙহৌদ্রে, খঙনা খঙনা য়াওহৌদবই নীংঙমদবদু লৈতনবা য়াওরুবনি। কোংগ্রেস পার্টিনা নৎত্রগা বি জে পি'না শীনবা - মদু ঐঙোন্দা থোইদোক্তে। গান্ধী-পোলিটিকল পার্টি অমত্তদা বিলোং তৌখিদে। হি বিলোং টু দ ৱর্ল্ড। মহাক্লা মেম্বর ওইখিবা, প্রসিদেন্ট ফাওবা ওইখিবা 'ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস' - ঙসিগী পোলিটিকল পার্টি অসি নৎখিদে। মীখা পোনবা ইন্দিয়াবু নীংতমহন্নবা হৌখিবা অন্দোলন, খূৎলায় পায়দবা লান অদুবু লান্‌চিংখিবা 'ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস' অদুনি। 'হৌজিক নীংতম্বা ফংলবনিনা ওর্গনাইজেসন অসি মুথুৎলসি অনৌবা পোলিটিকল পার্টি লিংখৎলসনু' - গান্ধী'গী প্রোপোজেল অদু নেহরু'না য়াখিদে। নীংতম-অন্দোলন লমজিংখিবা 'লূপ'সিনা লৈঙাক-চূপ্লি পায়গদবনি - নেহরুগী ৱাখলনি। মখাদি, পূম্নমক্লা খঙবীরে।


ওক্টোবর ৬কী সেমিনারদুদা রিছোর্স পার্সন মরি'না চে পাথোকখি - (১) প্রো: ক্ষেত্রি বিমোলাগী 'অহিংসাগী ঈহৌদা চেম্পিয়ন অমা ওইনা মহাত্মা গান্ধী'; (২) ডা. এম রামানন্দগী 'শোক্লা-শম্নবা য়াদবগী চৎনবী মুথুৎপা অমদি মান্নদবনা থনবা ইন্দিয়াদা অপূনবগী লিংজেল শাগৎপদা গান্ধী'; (৩) প্রো: অমর য়ুম্নামগী 'মহাত্মা গান্ধী অমসুং মতমগী চাওখৎ-ৱাখল্লোন'; (৪) প্রো: চীংলেন মাইস্নামগী 'খুঙ্গংগী চাথোক ওক্লনবা পুথোকপা অমসুং লৌমীশিংগী ওইবা খুদোংথীবা/থৌদোক ৱাথোকশিংদা গান্ধীগী মীৎয়েং'। অয়ূক্কী সেসন'দা দাক্তর কে ঐচ রতনকুমার'না ৱাতেল্লগা, নুংথিলগী সেসন অদুদনা কে ঐচ দেবব্রত'না মোদরেটর ওইখি। অয়ূক্কী সেসন অদু, সেমিনারগী ওপনিং ফঙ্কসন খরা থেংথনা হৌখিবগা, ফঙ্কসন'দুনা শাংখিবগা সেমিনারগী শরুক অদু দেলিগেট ময়ামগী অপেনবা হায়বদু ওইখিদে। অদুমকপু, ঙসিগী খুন্নাই অসিদা খ্বাইদগী মরুওইবা, নৈনফম থোকপা, কাউথোক্লরক্লবা, চন্নফম খঙদ্রবা গান্ধীগুম্বা মীশক অমগী মরমদা নৈন-মীফম অমা পাঙথোক্লকপা অসিমদি তশেংনমক চাউথোকচনীংঙাইনি, থাগৎনীংঙায়নি। গান্ধী -'জাতিগী মপা' হায়বা মিংথোল অদু পীরুবগী, ইন্দিয়াগী শেল ময়েক্তা মাগী শক্তম হাপ্লুবগী চহী অমগী মনুংদা নোংমফাদোক মপোক নুমিত্তা নীংশিংবীবগী ৱানি, মী অমা ওইনা হিংনরিবা পুন্সি মরেল অসিদদি মাগী পুন্সি, কনাগী মফমদসু চন্নফম লৈতবনি। কনানসু মাগী ফীদম লৌদবনি। হৌজিক ঐখোয়না নৈননীংঙাই ওইরিবদি মাগী পুন্সি ৱারী অমদি মতমদুদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক ময়ামদু নীংশিংলুবা নত্তে। মহাক্কী পুন্সি অমদি পুন্সিদুদা তৌরম্বা থবকশিং অদুনা, ঙসি হিংলিবা মীয়ামসিদা করি ইথিল পীরিবগে হায়বদু নৈনবনা হেন্না মরূনি। 'ঐগী পুন্সি অসিমক ঐগী পাউজেল অদুনি' - মহাক্লা হায়জরল্লিবা, কর্ম্মযোগী অমগী ৱাঙাঙদুমকনি। মহাক্তি কৈদৌনুংদা, পোলিটিসিয়ন অমগুম তৌশিন্নবা তাৎ-পাৎকী শেমজিনবা ৱাহৈ হায়রমদে। ৱাথী-ৱাচোই ঙাঙখিদে। হায়ফম থোকপদুতনি হায়রল্লিবা।

অহিংসা, নন-ভাইওলেন্স - ঙসিগী মীরোলনা খ্বাইদই পামদবা ৱাহৈনি। লাইসেন্স গন অমা পায়দনা মীয়ামগী থবক অমদি মশাগী থবক করিমত্তা তৌবা ঙমদ্রবা লুচিংবা অমনা 'অহিংসাগী চন্নফম থাঙ্গত্তুনা ঙাঙলকপা' করিনি খন্না তাদৌরিবনো? তানীংদে। গান্ধী'নসু থাজজখি - মহাক্লা উৎলম্বা পুন্সি ফিদম কনানসু লৌবীরোই। মসি খঙদুনা হায়জরম্মী ... 'অহিংসাগী চাংয়েংসিদা থম্মোয় শেংনা থাজরুবনি, অদুবু, ঐহাক শিখ্রবা মতুংদা, ঐগী মোংফমগী নূংবীদুদা ইবীগদবা, ঐনা পামজবা, খ্বাইদই চুনবা ৱাহৈদি ... 'মহাক কন্না হোৎনজরম্মী, অদুবু চঙ ফংনা মায়থীখি'... ৱাহৈসিমক ইবীয়ু'...। মহাক খঙখি অমদি হায়রমখি - অহিংসাগী চাংয়েংদা মহাক মায়থীরে। মশাগী চহী কুনমরিখক্তা ঙায়রিঙৈ 'খা অফ্রিকা' দা রেলৱে টিকেট চ্যেক তৌবা নুপা অমনা ত্রেন'দগী ইন্থরম্বা থৌদোক্তুদগী হৌখিবা চাংয়েং চহী য়াংখৈ-মঙাগী মতুংদা মথবাক্তা নোংমৈ মরূ অহুম কাপশিন্দুনা হাত্তোকখি।

সেমিনারদু য়াওরুরগা হল্লকপদা খল্লকখিবনি - নহা'না মশীং য়াম্বা লৈবাক অমদি খুন্নায়দুদা গান্ধী করিগী চন্নদ্রিবনো? পাউখুমসু পীজখি ইথন্তা - হনুরবা, ময়া য়াওদ্রবা গান্ধীগী শক্তমদুতবু ঈরাৎহনবদুননি। হনুবা কৃষ্ণগী শক্তম, কনানসু ঈরাৎলল্লোই, করিগী? নহা ওইরিবা কৃষ্ণনা শকহেনবী রাধাগা য়েৎ-ওই লেপমীন্নবদু নহা-অহল পূম্নমক্লা য়েংনীংই। অদুবু নহা-গান্ধী ওন্থোকপদা কনানসু য়েংবীরোই। লুরিবদি মসিনি।

লৌশিং পুক্কে/খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# চৎপগী মওংনা দিমেন্সিয়াগী মখল খঙদোকপা



দিমেন্সিয়া থোকহল্লকপগী তোঙান তোঙানবা মরমশিংনা ব্রেনদা খেন্নবা মওংদা শোকহনবা ঙম্মী। খেন্নবশিং অদু অনাবা মীওই অদুনা চৎপগী মওংদা উৎথোরকপা য়াই হায়বসি ওইথোকপা য়ারমগদ্রা? তোঙান তোঙানবা দিমেন্সিয়া মখল অনীনা নারবা মীওইশিংনা চৎপগী মওংশিং চাংদম্নরগা চথখিবা ষ্টদি অমনা ৱাহং অসিগী পাউখুম পীনবা হোৎনরি।

ষ্টদি অদুগী মরমদা পুথোকপা রিপোর্ট অমদা রিছার্সরশিংনা হায়, অলজাইমর্স অমসুং লেৱি বোদি দিজিজ নারবা মীওইশিংগী তোপ-তোপ্পা চৎপগী মওংশিং লৈ।

লায়না অমনা ব্রেন অমসুং মেন্টেল ফঙ্কসনদা শোকহনবগী মওং অদু য়ুনিক ওইবা চৎপগী মওং অদুদা উৎথোরকপা য়াই। চৎপগী মওং অসিনা তোঙান-তোঙানবা দিমেন্সিয়া মখলশিং দাইগ্নোজ তৌবদা য়াম্না কান্নবা অমদি শেল চঙবগী চাং হন্থহন্নবা মচাক অমা ওইরগনি হায়নসু রিছার্সরশিং অদুনা ফোঙদোকখি।

অহানবা ওইনা চথখিবা ষ্টদি অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা ন্যুকেসল য়ুনিভর্সিটিগী মেদিকেল সাইন্সকী ফেকল্টি রিওনা মেকআর্দল, পি ঐচ দিনা হায়, হেন্না এক্যুরেট ওইবা দাইগ্নোসিস লৈরবদি মীওইশিং অদুদা নারিবা দিমেন্সিয়াগী মখল অদুগী চপ চাবা লাইয়েং, ক্যের, অমদি মেনেজমেন্ট পুথোকপা ঙমগদৌরিবনি।

দিমেন্সি হায়বা লায়না অসি সিম্পটম ময়াম অমগী অপুনবা মমিং অমনি। মসিদা নীংশিংবা ৱাবা, নুংতিগী তৌরিবা থবক থৌরমশিংদা অকায়বা পীবা লমচৎ-শাজৎকী অহোংবা কয়াসু য়াওরি। দিমেন্সিয়া নারবা মীওই খরদদি করিগুম্বা হীরম অমদা পুক্নীং চঙবা অমদি কন্সেন্ত্রেট তৌবদা অৱাবা মায়োক্লবা, ইমোসন কন্ত্রোল তৌবা ৱাবা, পার্সনেলিটিদা অহোংবা লাকপনচিংবা কয়াসু য়াওরকপা য়াই।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না মালেম পূম্বদা দিমেন্সিয়ানা নারবা মীওই মিল্লিয়ন ৫০ লৈ। চহী খুদিংগী মীওই মিল্লিয়ন ১০ দা লায়না অসি দিবেলপ তৌরকই। মালেমদা লৈরিবা চহী ৬০ অমসুং ৬০ গী মথক্তা লৈবা অহলশিংগী চাদা ৫ দগীনা ৮ ফাওবদি লায়না অসিনা নাই হায়রি।

নারকপগী মরম খেন্নবগী মতুংইন্না দিমেন্সিয়া মখল কয়া লৈ। মখলশিং অদুগী মনুংদা অলজাইমর্স দিজিজ হায়রিবা অসি অহল ওইরবশিংগী মরক্তনা খ্বাইদগী হেন্না নাই। অতৈ মখলশিং অদুদি লেৱি বোদি, ভাস্ক্যুলর অমসুং ফ্রন্টোটেম্পোরেল দিমেন্সিয়া অসিনচিংবা য়াওরি। মীওই অমদা দিমেন্সিয়া মখল অমদগী হেন্না নাবা য়াই।

অলজাইমর্স দিজিজ অমদি অতৈ কমন ওইবা দিমেন্সিয়া মখলশিংনা ব্রেনদা অমুক ফগৎলক্লরোইদবা মওংদা অমাঙ-অতা থোকহনবগা লোয়ননা অনাবা অদু মতমগী মতুংইন্না অসুম অসুম হেঞ্জিল্লকই। হৌজিকমক্কী ওইনদি প্রোগ্রেসিব ন্যুরোদিজেনেরেটিব কন্দিসনশিং অসিবু ফহন্নবা লায়েং অমত্তা লৈত্রি।

অলজাইমর্স অমসুং লিৱি বোদি দিমেন্সিয়া

অনৌবা ষ্টদি অসিগী ওইনা মেকআর্দল অমসুং মহাক্কী খোঙলোয়শিংনা অলজাইমর্স অমসুং লিৱি বোদি দিমেন্সিয়াদা মীৎয়েং থমখি। মখল অনীমকসিদা দিপোজিট তৌদুনা লৈবা টোক্সিক প্রোটিনশিংনা নর্ভ সেলশিং নৎত্রগনা ন্যুরোনশিং শিহনবগা লোয়ননা অমুক ফগৎলক্লরোইদবা মওংদা ব্রেনবু মাঙ-তাকহল্লি।

ষ্টদি অদুদা চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা অহল ১১০ শরুক য়াখি। রিছার্সরশিং অদুনা সেন্সর লিশিংলোমগী মথক্তা য়াওবা ফক অমদা পার্টিসিপেন্টশিং অদুবু নোর্মেল স্পিদতা চৎহল্লম্মী। সেন্সরশিং অদুনা মীওই খুদিংমক্কী চৎপগী মওং মোনিটর তৌবা ঙমহল্লি। মদুদা লেৱি বোদি দিমেন্সি নাবা মীওইশিংগা অলজাইমর্স দিজিজ নাবা মীওইশিংগগী মরক্তা খোঙকাপকী অরাওবা অমদি খোঙকাপ অমা থাংবদা লৌবা মতমদা খেন্নবশিং উবা ফংখি। অলজাইমর্সনা নাবা মীওইশিং অদুনা চৎপগী মওং মতৌদা ইহোং হোংদে। অদুগা মসিগী ওন্না-তৈনবদা লেৱি বোদি নাবা মীওইশিংগীদি খোঙকাপ অমা থাংবদা লৌবা মতম অমদি লাউবা-খূবদা তোয়না হোংখি। লেৱি বোদি দিমেন্সিয়া নাবা মীওইশিং চৎপগী মওংদা চাং পুদবনা মরম ওইরগা তোয়না তুগল্লি।

টিম অদুনা খঙবা ঙমখি মদুদি, চৎপগী মওংদা চাং পুদবা মওং অদু এনালাইজ তৌরগা করম্বা মখলগী দিমেন্সিয়ানো হায়বদু চাদা ৬০ গী চাংদা চূম্না খঙবা ঙম্মী। অসুম্না উৎপা ঙম্বা অসি ষ্টদি অসিনা অহানবনি।

রিছার্সরশিং অদুনা হায়, ষ্টদিগী ফাইন্দিং অসিনা মাইল্ড ওইবা অলজাইমর্স দিজিজ অমসুং লেৱি বোদি দিমেন্সিয়াগী তোপ-তোপ্পা চৎপগী মওংদু ঙন্না খঙদোকপা ঙল্লগনি। অদুগা মসি লায়না খেন্নবগী মতুংইন্না মীওই অদুগী কোগ্নিসনদা পীরকপা ইফেক্ট অদুনা ওইগনি হায়নসু থাজনরি।

মখা তাবা রিছার্স চথদুনা ফাইন্দিংশিং অসি কনফার্ম তৌদুনা লায়না মখলশিং খঙদোক্লবগী কাঙলোন অসি চহী মঙাগী মনুংদা লায়েংবদা শীজিন্নবা য়াহল্লকপা য়াই হায়নসু টিম অদুনা হায়রি।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা অলজাইমর্স সোসাইটিগী জেমস পিকেটনা লুচিংদুনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, দিমেন্সিয়াগী মরমদা থিজিনবদা অসিগুম্বা মরু ওইবা ৱাফম কয়া খঙলকপা হন্দক্লা অহানবনি।

## সেসন হৌবদা থিংগনি হায়বসি তৌবীগনু : অতোম লৈশেম্বা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস):

জেনিথ একাদেমী স্কুল সেসন হৌবদা থিংগনি হায়বসি তৌবীগনু হায়না জেনিথ একাদেমী স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেটর অতোম লৈশেম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

স্কুল অসিদা পাউমীশিংগা উনবদা অতোম লৈশেম্বনা হায়খি, জেনিথ একাদেমীনা লুপা লিশিং ৩০ লৌরগা সার্টিফিকেট পীরে হায়না পাউচেদা য়াওরকপদগী চমন্নবা কয়া লৈহল্লে। স্কুল অসি লিংখৎলগা কুমজা ২০১০ দা এফিলিএসন তৌদুনা টোপ্পর কয়া লৈখ্রে। লুপা লিশিং ৩০ দগী লুপা লিশিং ৫০ ফাওবা লৌরগা সার্টিফিকেট পীরে হায়বসি লৌখিবসু লৈতে। মসিগা মরী অমত্তা লৈনদে। কুপ্না অমুক্তং থিগৎপীয়ু। হায়রিবশিং অসি ওজাশিংনা তৌরম্লবসু তান্থোক্কনি। হৌজিক ফাওবদি তৌবা লৈত্রি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী এদমিনিষ্ট্রেটর কম প্রিন্সিপাল নাওরেম রাধামনিনা হায়খি, স্কুল হায়বসি অনীশুবা হোমনি হায়রিবনি। সী বি এস ঈ হায়বসি দিল্লি বোর্দনি। ওইদবা সার্টিফিকেট পীখিবা লৈতে। মপানদা লাইরিক তম্বা য়াদ্রে হায়বসিসু অরানবনি। স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংনা অতোপ্পদা মিং চনবা য়াদ্রে হায়বা ঙসি ফাওবা লাক্পা লৈত্রি। মসিনা স্কুলগী মহৈরোয়শিং অমসুং ওজাশিংগী দিগ্নিটি শোকপা অমা লাক্লে। স্কুলগী গ্রাস রুটতগী ঙসি ফাওবগী ৱারী খঙদবদগী হায়বনি খল্লি। ওজাশিংসু ঈকায়ফম থোকই। শেলদি তাল্লগা ফংই। মিংচৎতি য়াদে। মুন্না থিগৎপীয়ু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## 'পোলিটিক্স হায়বসি লৈঙাক্লোন অদুনি'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস):

পোলিটিক্স হায়বসি লৈঙাক্লোন অদুনি হায়না আম আদমি পার্টি (এ এ পি) মণিপুরগী ষ্টেট কনভিনর থৌদাম মনিহারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৈবাক অমগী লৈঙাক্লোন, ঙমখৈ অমদি মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগা লোয়ননা কাঙলুপ অদু মুৎতনবা হোৎনবা মীশক খুদিংমক পোলিটিসিয়ননি। পোলিটিকেল পার্টিগী মেম্বর শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনবদা মশাগী ওইজবা ফংনবা হোৎনবা পোলিটিসিয়নসু য়াওদবা নত্তে। এম এল এ ওইহন্নবগী পাৱর শীজিন্নরিবা মীওই খুদিংমক পোলিটিক্সতা শরুক য়ারিবা ঙাক্তনি। মীওইবা হায়বসি পোলিটিকেল এনিমেলনি হায়রিবনি। ভোট থাদবা মতমদা ৱাখল মুন্না খন্থবা তাই। চহী ৫ গী মনুংদা অমুক্তং লাকপা ইলেক্সনদা মী অমগী মতম মাঙলিবা কয়া অদুগী মমল লৌবা পামদে। মমল য়াম্লবা ভোট অদু শেলনা য়োন্থোকপা তৌগুমসি। অফবা মীশক্তা ভোট থাদবা তাই।

পোলিটিক্স খঙদবা মীওইনা শেঞ্জাও চাইথোক্লগা ভোট কারকপা কয়ানা পোলিটিক্স তমদুনা লৈবাক ঙাকপা হৈতদদুনা মীয়াম্বু উশিৎ-থওইদবা মওংদা লৈরবদি মীচম মীয়ামগী অমাংবনি হায়বসি মীপুম খুদিংমক্লা খঙই। ইলেক্সন অমা লাকপা মতমদা লৈঙাক্কী শেল কয়া তীংলিবনো হায়বসি খঙলবনি। লৈঙাক্কী শেল হায়বসি মীয়ামদগী টেক্স ওইনা খায়গৎখিবা শেনফমনি। ভোট কারগা পোলিটিক্স তম্বদা মতম মাঙহনগুমসি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট, সী এ বি, বোর্দর পিল্লর কাউথোক্লগা পোলিটিক্স তমদুনা লৈগদবা নত্তে। পোলিটিক্স হৈবা মান্নবা মীয়ামদা উৎ চাইবসু তৌবীগনু। মহাত্মা গান্ধীনা অচুম্বা হায়বসি তাইবং শেম্বা মপুনা থাজবনি হায়রম্মী। গান্ধীগী ফোটোদা লৈ কৎলগা, থৌরম পাঙথোক্লগা ফম মুন্নদুনা লৈগদবা নত্তে। লময়ানবা ইরাবত্কী মফমদা লৈবাক নীংবগী থৌরম পাঙথোক্লগা ফম মুন্নবগী মতম নত্তে হায়রি।

## ৱাই তৈবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস):

মীতৈ চনু ২০১৯ গা মরী লৈননা লাইফমলেন চৎপা, ৱাখল্লোন ফোঙদোকপা, উ থাবা, নাচোম শেম্বা, চেঙ খৈবা অমদি মথেল লুকোই থোংবগী তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোকখ্রবা মতুং ঙসি ৱাই তৈবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না মীতৈ চনু ২০১৯ গী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী কনভিনর ৱারেপ্পা নামৈরাকপমচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীতৈ য়ুমশারোলদা শুমাংগী মরুওইবা লৈ। শোন্নপুংগী অকোয়বদা করম্না ৱাই তৈগনি অমদি ৱাই তৈবনা নুপী ওইবী কয়াদা করি কান্নহল্লি হায়বগী মতাংদা থৌরম অসি শিনবনি। মীতৈ ঐখোয়গী য়ুম্বান লোনচৎকী মরুওইবা থবক অমা ওইরিবা ৱাই তৈবা অসিদা লূ-নানবা, হকচাং শাজেল, থকশি-খাশি কয়া লোয়নদুনা থম্বীরম্মী। নুপী অমগী শাজৎ-লীচৎ, থকশি-খাশি খুদিংমক ৱাই তৈবদসু য়াম্না লাইনা খঙবা ঙম্মী হায়বা খুন্নাই অসিগী চৎনবী লৈরম্মী। খুরাই নিংথৌবুং লৈকায়দা লৈবা মীতৈশঙদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা চাংদম্নরোইশিংদা অকক্লবা মফম অমমম পীদুনা শোন্নপুংগী অকোয়বদা ৱাই তৈবগুম তৈবগী শিন্থা পাঙথোকখি। ওক্টোবর ২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মপুং ওইবা থৌরমগী মাঙওইননা পাঙথোকখিবা থৌরমশিং অসিনা ঐখোয়গী ইপা-ইপু, ইমা-ইবেলশিংনা পাংলম্বা শিল্লম-শিন্থাশিংবু নীংশিংনবগী খুদোংচাবা ফংলি হায়রি।

HL-B/5723/9,11

Skill India
कौशल भारत - कुशल भारत
JCRE Skill Solutions
empowering our youth
N·S·D·C National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape
ADMISSIONS OPEN
HURRY UP! Limited Seats Available

AVAIL FREE SKILL TRAINING
Under PMKVY ( State Component) - Pradhan Mantri Kaushal Vikas Yojana

| Sl. No. | NAME OF THE COURSE | DESCRIPTION | TENTATIVE BATCH START DATE | DURATION |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Food & Beverage Service Steward | Preparing, Presenting, Serving Food and Beverage, Client Service | Last Week of October | 3 months |



Document Required:
1) Aadhaar Card
2) Min. Qualification: 10th passed
3) One Passport Size Photo
Age:- 18yrs to 35yrs

For any queries, please contact:
JCRE Skill Solutions Meisnam Leikai, Opp. THAU Ground
Thangmeiband, Imphal - 795001, Manipur
☎ 7085051125, 9366847804
(Call during 10:00 am - 04:00 pm Mon - Sat)




HL-B/5669/1-30sept (alt.)-1-19oct.

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৯।১০।২০১৯ ইং,য়ুমশকৈশা,
মেরাগী ১০, ১১ নি পানবা

মেষ : পাউ নুংঙাইবা তাবা, ইচং থৌবা, নচা-ননাই চাওখৎপা অমদি মরুপ-মপাংগী মতেং ফংবা নুমিৎনি। অনৌবা থৌরম পাংবা য়াগনি। নচাক-নরলদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

বৃষ : মীপাইরম্বা কোকচরনি, নক্লবা মীশিংগা লোয়নবা থবক পাংগনি অমদি লাইবক ফবা ওইরগনি। অশাওবা অমদি য়েৎনবনা মাঙজবা খরদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : খাংবা কনবা অমদি খোইরাং-খোইশাওবা ফাথবনা য়াইফবা ওইগনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি, থৌয়াম পাংগনু অমদি অরং-অরাক চেকশিল্লু, চরাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ওইদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কর্কট : অয়ুক্তা য়াম্না ফবা খোঙশাল লৈগনি অমদি শেল-থুমগী থবক কান্নগনি-অথেংবদা লাইবক ফবা ৱাৎকনি। ৱানোম-থৌনোম কান্নগনি। মীনদি লৌথোকনীংই।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাকপা ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ : নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি অমদি শেল ফংবদা নত্তনা মীয়াম্নসু থোইনা য়াবা নুমিৎনি। মরম চাদনদি ইচং থৌগনু নত্রবদি খৎননি অমদি শেল তিংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, মীচং খরসু ফংগনি অমদি লল্লোন ইতিক কান্নগনি। খোইরাংবনা হকচাং নুংঙাইফম খঙদবদি লৈগনি। ৱাঙাঙদি চেকশিনবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

তুলা : য়েৎনরম্বা কোক্কনি, লৌশিং তানশিনবা মায় পাক্কনি অমদি অচুম্বনা লন তানশিনবা ঙমজগনি। নথক থোংবনদি তাথিবা লৈ-চিন য়াংবা য়াদে-কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/ কিসমিস।

বৃশ্চিক : অয়ুক্তা মীচং ফংগনি, অফবা খোঙশালসু ফংগনি অমদি নথক থোংবনা চানবীগনি। থেংলক্লদি মহু চাওবনা তাথিবা অমদি নখা থাবনা য়েৎবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা কাইনবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : থেংলপ্পা নীংজবা থুংগনি, ইচং থৌবনা থবক পাংগনি অমদি লন-থুম ফংবগী নুঙাইবা লৈগনি। অয়াম্বা থবক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি, কিদনা চংশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর : অয়ুক্তা লাইবক ফবা অমদি য়েক্লববু লায়না খুদুম চনবা লৈগনি, লাই-গুরুনসু থোইনা চানবীগনি অমদি অরং-অরাক ফংবা য়াবা লৈ। য়েৎনবনা কাইনবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : থেংলপ্পা হরাওবা নুংঙাইবা অমদি শেল-থুমগী থবক্তা মায় পাকপা লৈগনি। য়েৎনরম্বা কোকচরনি অদুবু লৌশিং থোকপা ৱাৎলি অদুনা মী লোয়নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কনবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন :অঙনবদা মায় পাক্কদবা খোঙশাল অমদি লল্লোনবদা কান্নবা লৈগনি। পন্দুনা লৈরম্বা শেল-থুম/নক্লবগী মতেং ফংবা লৈগনি। য়েক্লবনা পাংগল্লি-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।